**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14-11-2025)**

**ডে (এল)ঃ** ভারতকী অহানবা প্রধান মন্ত্রি ওইরম্বা-পন্দিৎ জৱাহরলাল নেহরুগী মপোক নুমিৎতা ঙসি লৈবাক অসিদা অঙাংশিংগী নুমিৎ থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখি।

থৌরম অসি রাজ্য অসিদা লৈরিবা মহৈ লোইশঙশিংদসু অঙাংশিংগী ওইবা থৌরম কয়াগা লোয়ননা পাঙথোকখি। চহি অসিগী হীরমনা-ফোর ইভ্রি চাইল্ড ইভ্রি রাইট হায়বসিনি। অঙাংশিংগী ওইবা লাইয়েকপা, পোষ্টর মেকিং অমসুং এসে রাইতিংনবা চাংদমবা কয়াসু পাঙথোকখি।

পি.সি.ও.ই জেনিমস অমসুং মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইতিনা পুন্না শিন্দুনা নুমিৎ অসি ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোমপাৎতা লৈবা জেনিমস হোস্পিতালদা পাঙথোকখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং লোক্তাক পৱার ষ্টেসন্না শিন্দুনা অঙাংশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা সেন্দ্রাগী এল.দি.এ কমপ্লেক্সতা অহানবা 'দ লোক্তাক লিটরেরি এন্দ আর্ট ফেষ্টিভেল' ঙসিদগী হৌখ্রে। নুমিৎ নিনি চুপা চত্থগদবা ফেষ্টিভেল অসিগী ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবম শরুক য়াখি।

তমেংলোং অমসুং নোনে জিলাদা লৈবা কেন্দ্রিয়া বিদ্যালায়া স্কুল, নুংনাং হেরিটেজ স্কুল অমসুং লিয়াংমৈ স্কুলদসু ঙসি অসাম রাইফলসনা শিনদুনা অঙাংশিংগী নুমিৎ পালন পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগী অঙাংশিংবু পুকিং থৌগৎপা থৌরম কয়া পাঙথোকখি।

**দাইবেতিস (এল)ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম ৱাল্ড দাইবেতিস

ডেগী থৌরম ঙসি মনিপুরদসু পাক শন্না পাঙথোকখি।

রাজ্যগী দিরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেসনা শিন্দুনা পালন থৌরম অসি ইম্ফালগী হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দদা পাঙথোকখি। কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী হিরমদি-দাইবেতিস এন্দ ৱেলবিং এট দ ৱার্ক প্লেস হায়বসিনি।

থৌরম অদুদা রাজ্যগী হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডাঃ এন. হেমন্তকুমারনা হায়-কার্বোহাইদ্রেটকী চাং য়ামা ৱাংবা চিঞ্জাকশিং অয়ুক্তা চাবনা হকচাংদা খুদোংথিনিংঙাই ওইহল্লক্লি। দাইবেটিস হায়বা লায়না অসিদগী ঙাকথোকবা ঐখোয়গী ইশাদা য়াওজরিবা ইন্সুলিন অসি নীংথিনা শিজিন্নবনবা হোৎনগদবনি।

রাজ্য ফেমিলি ৱেলফ্যারগী দাইরেক্তর ডাঃ এন. বিনো সিংহ অমসুং ষ্টেট হেলথ সোসাইতি, নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরগী ষ্টেট মিসন দাইরেক্তর ডাঃ এম. দিনেশ সিংহসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

ৱার্ল্ড দাইবেতিস ডেগী থৌরম রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালনা শিন্দুনা হোস্পিতাল অসিগী অনৌবা জেনেরেল ও.পি.দি ব্লোক্তা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা রিমসকী দাইরেক্তর প্রোফেসার জি. শুনিলকুমার শর্ম্ম শরুক য়াখি। থৌরমগা মরী লৈননা লায়না অসিগী মতাংদা লেমা স্ক্রিনিং অমসুং কন্সলটেসন তৌবা, লেমা কিদনি ফঙ্কসন টেষ্ট, লিভর ফঙ্কসন টেষ্ট, লিপিদ প্রোফাইল অমসুং ঐচ.দি.এ-ৱান-সি টেষ্ট তৌখি।

নুমিৎ অসি এন.সি.বি. সেল, সি.এম.ও. ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা সি.এম.ও. ওফিসতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা দাইবেতিস অমসুং হাইপরটেন্সনগী স্ক্রিনিং তৌখি। অফবা পুন্সিরোল অমা লৈনবগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

থৌবাল জিলাদসু লাইওন্স ক্লব ওফ থৌবাল অমসুং সোসিএল দিবলপমেন্ট এসোসিয়েসন অনিনা শিন্দুনা থৌবাল অচৌবা কৈথেল মখা

লৈকাইদা লৈবা মল্টিপরপজ হোলদা মালেমগী দাইবেতিস নুমিৎ পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মীওই ১০০ রোম দাইবেটিস লায়না লৈব্রা হায়বদু খঙদোকখি।

**মেন্যুস্ক্রিপ (এল)ঃ** নেসনেল অরক্রাইব ওফ ইন্দিয়া অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর অনিনা খুৎশমনা শিনদুনা মেন্যুস্ক্রিপ অমদি পেপর দোকুমেন্টশিং করমা চেকশিন্না লীদুনা থমগদগে হায়বগী মতাংদা ৱার্কশোপ অমা থা অসিগী ২০ দা পাঙথোক্কনি হায়রি।

ইম্ফালদা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্তর-কৈথেলাকপম দিমাণিনা হায়-চাউখৎলকপগী মতুং ইন্না অনৌ অ-নৌবা টেকে ালোজি কয়ানা পীরিবা কান্নবশিংগী মতাংদা হেন্না খঙহন্নবগী পান্দমদা ৱার্কশোপ অসি পাঙথোক্কদবনি। মনিপুরদা মেন্যুস্ক্রিপশিং অসি অয়াম্বনা লন্নাই মীওইশিংগী খুৎতা লৈরি। মসিবু নীংথিনা লীদুনা থমনবা মনিপুর ষ্টেট অরক্রাইবসতা শিনহন্নীংবগী অপাম্বসু মহাকা ফোংদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা নেসনেল অরক্রাইবস ওফ ইন্দিয়াগী দিপ্যুতি দাইরেক্তর-নাওরোইবম রাজ্‌সু শরুক য়াখি।

**স্বাইন(এল)ঃ** ককচিং জিলাগী ককচিং তুরেল ৱাংমা ৱার্ড নম্বর ফাইবতা লৈবা মীওই অমগী ফার্ম অমসুং মোইরাংথেম লৈকাই খমলাংবা পরেং ৱার্ড নম্বর সিক্সতা লৈবা মীওই অমগী ফার্মদা আফ্রিকান স্বাইন ফিবর শন্দোরক্লে হায়না রাজ্যগী ভেটিরিনারি এন্দ এনিম্যেল হসবেন্দরি সার্ভিসেসকী দিরেক্তরনা লাউথোকখ্রবা মতুংদা ককচিং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা দরকার লৈবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌকৎপা হৌখ্রে।

**এদ-১৫০ (এল)ঃ** জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিনদুনা সরদার এদ-১৫০ (য়ুনিটি মার্স) পদ্দ যাত্র ঙসি জিরিবামদা পাঙথোকখ্রে।

যুনিটি মার্স অদুদা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমার, স্লশিংগী মহৈরোইশিং, সেল্ফ হেল্প গ্রুপ, এন.এস.এস. য়ুনিট, আই.আর.সি.এস. অমসুং বি.এল.ওশিং শরুক য়াখি।

**দ্রগ (এল)ঃ** সেনাপতি জিলাগী মরাম পুলিস ষ্টেসন চ্যেক পোইন্টতা ঙসি অয়ুক ত্রক অমদগী কাণি কিলোগ্রাম ১৮ গ্রাম ২০০ ফারে।

সেনাপতি এস.পিগী লমজিং মখাদা মরাম পুলিস ষ্টেসনগী ও.সি, স্পিপসিএল ওপরেসন টিম অমসুং সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা পোৎলমশিং অদু ফাগৎখিবনি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মরাম পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিনবা হৌখ্রে।

**ফলকোন(এল)ঃ** মেদিয়াদা মীওই খরনা অমর ফলকোন উচেক হাৎপগী ভিদিও অমা শন্দোরক্লিবা অদু কদাই ফাওবা চুম্বনো হায়বদু থিজিনদুনা দরকার লৈবা আইনগী ওইবা থবকশিং লৌখৎনবা নোনেগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-সরতচন্দ্র অরোজ্না নোনেগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসারদা খঙহনখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা নীংথিনা থিজিনদুনা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা মতিক চাবা থবক লৌখৎপগী রিপোর্ট য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ওফিসতা পীখৎলকবসু চেরোল অসিনা খঙহল্লি।

**কেম্প (এল)ঃ** দিফ একাউন্ট ক্লেমস এন্দ সেট্টলমেন্টকী মেগা কেম্প অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী পাৎশোই পার্ট টু মখা লৈকাই কম্মুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

কেন্দ্র সরকারগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফাইনান্স সার্ভিসকী মখাদা মনিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মীসন-ইম্ফাল ৱেষ্টকী তেংবাংগা লোয়ননা এস.এল.বি.সি. মনিপুর অমসুং এল.দি.এম. ইম্ফাল ৱেষ্টনা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ময়াংলবম রাজকুমার অমসুং মরুওইবা মীওই

কয়া শরুক য়াখি।

**সেন্সিটাইজেসন (এল)ঃ** মেন এজ এলাইজ-এনগেজিং মেন ইন ৱিমেন্স ইন্পৱারমেন্ট হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি নিংখৌখোং লমলোং কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেননা মফম অদুগী ক্লবকা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবা থৌরম অদুদা কম্মিসন অসিগী চেয়ারপার্সন-থুমলিপ তিংনিংফম মোনশাং শরুক য়াখি।

**এমপিপি (এল)ঃ** মনিপুর পিপলস পার্টিগী প্রসিদেন্ট-সোরেনশাংবম ব্রোজেন সিংহ অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি-ডা: কে. মুক্তাম্না সিংহবু ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ই.সি.আই) না শক খঙলে হায়রি।

দল অসিগী মেদিয়াগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-হৌখিবা ওক্তোবর ৩১ দা মখোয় অনিবু ই.সি.আইনা শক খঙলে হায়না রেকোর্ড তৌখিবনি।

**নোনে (এল)ঃ** নোনে জিলাগী থাক্তা পাঙথোকপা অহানবা আশাশিংগী মীফম ঙসি লোংমাইদা লৈবা বেপটিস চর্চকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা নোনেগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-সরতচন্দ্র অরোজ্না হায়-আশাশিং অসি গ্রাস রুটকী থাক্তা হকশেলগা মরী লৈনবা হীরম কয়াদা চাউনা থৌদাং লৌরিবা কাংবুনি। কৎথোকপগা লোয়ননা মখোয়না লৌরিবা থৌদাংশিংনা খুঙ্গংগী লমগী অনা লায়েংগী ফিভম ফগৎহনবদা চাউনা মতেং পাংলি।

থৌরম অদুদা নোনে জিলাগী এস.পি. নমশাদাই পিটর পামৈ অমসুং নোনেগী চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা: আজিন মরিংমৈ শরুক য়াখি। তোঙান

তোঙানবা থৌরম কয়াসু আশাশিংনা উৎখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** নুমিৎ মরিনি চথগদবা থৌবাল অচোবা পাখঙ থোং লৈরক্তা লৈবা কাংঙাশেনবী অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী এন্যুয়েল স্পোর্টস, কলচরেল অমদি লিটরেরি মিট ঙসিদগী হৌখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা জেদ. ই.ও. জোন থ্রি-থৌবাল, ৱাই. অচৌবা য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**মরু (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা নোংব্রমদা ঙসি থাউ থোকপা মরুশিং য়েন্থোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এগ্রীলচর ওফিসার-ইম্ফাল ইষ্টকী লমজিং মখাদা হৌজিক ফাওবদা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ১০ রোমদা থাউ থোকপা মরুশিং য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

**ফেরজোল (এল)ঃ** ত্রাইবেল ফ্রিদম ফাইটর-ভগবান বিরশা মুন্দা চহি ১৫০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্লিবা জন জাতিয়া গৌরভ বর্সকী শরুক অমা ওইনা ঙরাং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ফেরজোলনা শিনদুনা জন্ন সনৱাইগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-মনাওমচিংনা লুচিংদুনা বিরশা মুন্দাগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**ফেরজোল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-ফেরজোলনা শিনদুনা নোংমগী ওইবা তোবেকো ফ্রি য়ুথ কেম্পেইন থ্রি পোইন্ট জিরোগী মখাদা নোংমগী ওইবা কেপাসিতি বিল্ডিং প্রোগ্রাম অমা পার্বুংদা লৈবা জে.এস. স্কুলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জিলা অসিগী চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডাঃ মংলানখুপ কোমনা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং শিজিন্নবগী অমাংবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

**এৱার্ড (এল)ঃ** সেন্ট্রেল এগ্রীকলচরেল য়ুনিভরসিতি-ইরোইশেম্বগী কলেজ ওফ এগ্রীকলচরগী প্রোফেসার-খুমুকচম ইবোহলদা ডাক্তর এস.এস. মিশ্রা লাইফ টাইম এচিপমেন্ট এৱার্ড-২০২৫ পীরক্লে।

ফৌ অমদি নুমিৎলৈনচিংবদা নাহনবা মহিকশিংগী মতাংদা থিজিন হুমজিনবগী লমদা মহাকা লৌখিবা থৌদাংশিংবু শকখঙবা ওইনা ুরিষ্যাগী কটক্তা লৈবা নেসনেল রাইস রিছার্স ইন্সটিট্যুটকী এ.জেদ.আর.এগী প্রসিদেন্ট-ডাঃ দিগবির এস. জয়াসনা মনা অসি পীরকপনি।

**অৱাবা (এল)ঃ** চার হজারদা লৈবা সনাতন সংস্কৃট বিদ্যালয়া লিংখৎলম্বা পন্দিৎ বাদ্রিসরন খাতিৱারানা লৈখিদবদা সনাতন ধর্ম্ম সেভা সমিটি-চার হজার মনিপুরনা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

ডাক্তর তানকানাথ শর্ম্ম খাতিৱারানা সভাপতি ওইদুনা অৱাবা ফোংদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মহাকা লৈরিঙৈ মতমদা সংস্কৃট লোল চাউখৎহন্নবা, নুপীশিংদা শিক্ষা নীংথিনা ফংহন্নবা অমসুং কাংলুপকী খেৎনবা লৈতনা মন্দিরশিংদা মীপুম খুদিংমক লাই খুরুম্বা চংবা য়াহন্নবনচিংবা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক কয়া পাঙথোক্লম্মী। মহাকা লৈখিদবদা মরাম, উখ্রুল, চুরাচান্দপুর, সেরৌ, পাঙ্গৈ অমদি মোরেদা লৈবা দুর্গ মন্দিরশিং অমদি সেনাপতি, তোরিবারি, কালাপহার, কংলাতোংবী অমসুং চার হজারদা লৈবা তোঙান তোঙানবা মন্দিরশিংগী মকোকথোংবা ভক্তশিংনসু অৱাবা ফোংদোরক্লি।

বিহার ঃ বিহার বিধান সভা মীখলগী ভোট মশিং থিবগী থবক কন্না চখরি।

অপুনবা সিট ২৪৩ গী মনুংদা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং ফাওবদা বি.জে.পিনা সিট ৫৭ ফংলি, সিট ৩৩ দা মাংজিল থানা চৎলি। মীখল অসিদা বি.জে.পিনা পুন্না সিট ১০১ দা মখোয়গী মীরেপশিং থাগৎখি।

জনাতা দল য়ুনাইটেদনা সিট ৩৬ ফংলি, ৪৫ দা মাংজিল থানা চৎলি। দল অসিগীসু পুন্না মীরেপ ১০১ থাগৎখি। রাস্ত্রিয়া জনতা দলনা সিট ৮ ফংলি, ১৭ তা মাংজিল থারি। দল অসিগীনা পুন্না মীরেপ ১৪৩ থাগৎখি। লোক জনা শক্তি পার্টি (রাম বিলাস) না সিট ৭ তা মায় পাক্লি, ১২ দা মাংজিল থারি।

ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসনা সিট অমা ফংলি, সিট ৫ দা মাংজিল থানা চৎলি। কংগ্রেসনা মীখল অসিদা পুন্না সিট ৫৩ দা মখোয়গী মীরেপশিং থাগৎখি।

ফুটবোল ঃ ৩ সুবা মণিপুর প্রেমিয়র লিগকী ঙসি সেক্তাগী এস.এস.সি. গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-রাইজিং এঠলেটিক য়ুনিয়ননা সাউর্দন স্পোর্টিং য়ুনিয়বু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা, য়ুনাইটেদ চান্দেল ফুটবোল ক্লবনা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোলঃ অহুমশুবা থোকচোম ইবোপীশক সিংহ মোরিএল সুপর দিভিজন লিগ ২০২৫ গী ঙসি বিষ্ণুপুর মিণি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা তাইদানা রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্টরবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-উশক খঙদবী ক্লব কম লাইব্রেরীনা ওইনাম স্পোর্টস এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

ফুটবোলঃ অয়েকপম প্রতাব সিংহ মেমোরিএল মনিপুর য়ুনিভরসিতি ইন্টর কলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা-খা মনিপুর কলেজনা প্রভাপতি কলেজপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা-থম্বাল মরিক কলেজনা ককচিং খুনৌ কলেজপু পাঞ্জল ৬-৫ দা থোইখ্রে।

ফুটবোলঃ  দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন-ককচিংনা শিনদুনা চথরিবাসেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ-২০২৫ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা-এস.এস.সি. লাংমৈদোংনা জে.এ. ককচিংবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা, এস.এফ.সি. সোরানা সেসু ককচিংবু পাঞ্জল ৭-০ দা থোইখ্রে।